**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 11-08.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কেন্দ্রগী লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়ানা ঙসি চুরাচান্দপুর জিলাদা চত্তুনা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিংগা উন্নখ্রে।

২) রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা অকনবা নোং চুরবা য়াই ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি।

৩) উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল অসি লিন্না চিকপা লায়েংবগী য়ামা মরুওইবা মফম অমা ওইরক্লি।

৪) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা অইং আশা খায়দনা থাবা য়াবা অনৌবা মহে-মরোং মখল ১০৯ ঙসি মীয়ামদা শিন্নখ্রে।

অমসুং

৫) পেরিস ওলিম্পিক্স গেমস ২০২৪ ঙসি লোয়শিল্লগনি। লোয়শিনবগী থৌরম অহিং নোংয়াই মতুং পুংখায় চৎপদা হৌগনি।

------

মন্দাভিয়া (এল)ঃ কেন্দ্রগী লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট অমসুং য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়ানা ঙসি চুরাচান্দপুর জিলাদা চত্তুনা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিংগা উন্নখ্রে। জিলা অসিগী তুইবোংদা লৈবা দি.সি ওফিসকী

কনফরেন্স হোলদা উন্নবা অদুদা দিপ্যুতি কম্মিসনার ধরুনকুমার অমসুং এদ্দিসনেল দিপ্যুতি কম্মিসনার থাংবোই গাংতেনা জিলা অসিদা হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভম অমসুং তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংনা স্কিমশিং চৎনহনবগী মতাংদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ৱারী শান্নখি।

তুংদা, ডাঃ মন্দাভিয়ানা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা অঙাংশিংদা শান্ন-খোৎনবগী পোৎলম কয়াসু য়েন্থোকখি অমসুং মিনি সেক্রেটরিয়েট কেম্পসতা উ চারা কয়াসু থাখি।

অমরোমদা, নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা মণিপুরদা লাকখিবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্সুখ মন্দাভিয়ানা লোক্তাক পাৎতা চত্তুনা পাৎ অসিগী ওইরিবা ফিভম য়েংশিনখি। মহাকপু মন্ত্রিশিং গোবিনদাস কোন্থৌজম, পি.ঐচ.ই মন্ত্রি লৈশাংথেম শুশিন্দ্রো, এম.এল.এ- এল. শান্তি সিংহ অমসুং এল.দি.এগী চেয়ারমেন এম. অসিনিকুমার য়াওবা মীহুৎ কাংবু অমনা তরামা ওকখি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কেনোয়িং এন্দ কয়াক্কিংগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা শ্রী অসিনিকুমারনা কেনোয়িং, কয়াক্কিং অমসুং রোয়িংগী ওইবা নেসনেল চেম্পিয়নসিপ অমা লোক্তাক পাৎতা লৈরিবা রিজনেল ৱাটর স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপীনবা ৱাফম মন্ত্রিদা থমখি। মদুগী পাউখুমদা ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়ানা হৌজিক লৈরিবা রিজনেল ৱাটর স্পোর্ট কমপ্লেক্স অসি সাইগী সেন্তর ওফ এক্সেলেন্সকী মখাদা শেমগৎ শাগৎপা নত্রগা কমপ্লেক্স অসি নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতি ইম্ফালগী কেম্পস অমা ওইহন্নবগী থাজবা পীরমখি। লমদমসিগী নহাশিংগী হৈথোই শিংথোইবশিং অসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি সরকারনা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি।

রঞ্জন (এল)ঃ আই.পি.আর মন্ত্রি ডাঃ সাপম রঞ্জন্না হায়রি- লাইরিক লাইশুগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি ফগৎনবা হোৎনবদা ঐখোয় পুমমক্কী থৌদাং লৈ।

ৱাফম অসি কোন্থৌজম কাংজৈবু কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা ক্লাস টেন অমসুং তুয়েল্বকী মকোক তারবা মহৈরোইশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরমদা ডাঃ রঞ্জন্না ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- মহৈরোইশিংনা মশা মশাগী

হৈজা শিংজবা লন্বীশিং খঙদোক্তুনা মশানা অপাম্বা লন্বীদা থৱায় য়াওনা মায় পাক বা হোৎনগদবনি। মহৈরোইশিংনা মহৈ মশিং তম্বগী লমদা কান্নরবা ৱাফম কয়াসু মখোয়গী মথক থোংবশিংদগী তমহন্নিংবগী অপাম্বা ডাঃ রঞ্জন্না ফোংদোকখি। মহাকা হায়- মহৈরোশিংনা মশা মশাগী রাজ্যশিংদা থোক্লিবা সমস্যশিংগী মতাংদা কুপা খঙবগী তঙাইফদবা লৈ। লাইরিক খক্তদগী ফংবা লৌশিং খক্তা নত্তনা ঐখোয়গী অকোইবদা করি তৌরিবগে হায়বসিগী মতাংদা কুপা খঙনবা হোৎনগদবনি। সরকারনা পায়খৎলিবা স্কুল ফগৎহনশি মিসনগী মখাদা রাজ্য অসিদা লৈরিবা স্কুলশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা থবক কয়া পায়খৎলি।

হিয়াংলম (এল)ঃ   হিয়াংলম কেন্দ্র হন্দক থোকখিবা ঈশিং ঈচাউনা শোকহল্লবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ- ডাঃ য়ুমাম রাধেশ্যামনা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। য়েংশিনবগী খোঙচৎ অদুদা ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টকী ইঞ্জিনিয়ারিং সেলগী ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি। খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা এম.এল.এ ৱাই. রাধেশ্যামনা ঈচাউ অসিনা মরম ওইরগা অৱাবা তারবা লৌমী অমসুং ঙামীশিংগী ওইনসু লৈঙাক্কী মরী লৈনবা বিভাগশিংগা তান্নদুনা পাংবা য়াবা মতেংশিং অথুবা মতমদা পাংগনি হায়বগী থজবা থমখি। তুংদা, ঈশিং তুংদুনা লৈরিবা মফমশিংদগী ঈশিং চেন্থোকখিনবা তোঙান তোঙানবা খোংলমশিংগী ওইরিবা ফিভমসু য়েংশিনখি।

থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা খাঙবোক শানিলৌ লৈকাইদসু ঙসি জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাসনা হন্দক্কী ঈশিং ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিং চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা শ্রী শুবাসনা হায়- এন.এ.আর.ই.জি.এ স্কিম নত্রগা এম.আই স্কিমগী মখাদা অথুবা মতমদা ঈশিংগী খোংলমশিং শেমজিন্নবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী থৌবালগী মাইকৈদগী হোৎনরগনি।

নোং (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অকনবা নোং চুরবা য়াই। সেনাপাতি, উখ্রুল, কামজোং, ফেরজোল অমসুং চুরাচান্দপুরদা ঙসি অমসুং হয়েং অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুগনি। নোনে, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, তেংনৌপল, চান্দেল অমসুং ককচিং জিলাদা থা অসিগী ১৪ অমসুং ১৫ দা অখাক অরাউগা লোয়ননা অকনবা নোং চুগনি।

উখ্রুল (এল)ঃ উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল অসি লিন্না চিকপা লায়েংবগী য়ামা মরুওইবা মফম অমা ওইরক্লি। হোস্পিতাল অসিদা চৎলিবা চহি অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা লিন্না চিকপা মীওই ১২ লায়েংদুনা ফহনখ্রে। হোস্পিতাল অসিদা এন্তি স্নেক ভেনম মতম চানা অমদি মরাং কায়না ফংহনবা অসিনা অনাবশিংগী পুন্সি কনবদা অচৌবা মতেং ওইরি।

কম্পিটিসন (এল)ঃ খাঙবোক দিভপলমেন্ট সোসাইতিনা শিন্দুনা- মণিপুর লৈঙাক খক্তনা হৌজিক থোক্লিবা তংদু লৈতাদবা অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগনি হায়বা হিরমদা থৌবাল জিলাগী ওইবা দিবেতিং কম্পিটিসন অমা খাঙবোক অৱাং লৈকাহ ঙসি পাঙথোকখ্রে।

পেন্টিং (এল)ঃ ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি ইম্ফালনা শিন্দুনা মহৈরোইশিংগী ওইবা খুদক্তা লাইয়েকপা চাংদমবা অমা ঙসি লাইব্রেরি অসিগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। চাংদমবা অসিদা ক্লাস থ্রিদগী ফাইভ ফাওবগী কাংলুপতা সিসু নিস্তা নিকেটনগী সেরাম অরিথোইনা অহানবা তারে। ক্লাস সিক্সতগী আইট ফাওবগী কাংলুপ্তুনা দ কম্প্রিহেন্সিভ স্কুল ওইনামগী ব্রিকর্মা লৌরেম্বমনা অহানবা তারে। মকোক মথং তারবশিংদা মনা য়েন্থোকপগী থৌরম হয়েং লাইব্রেরি পাঙথোক্কনি হায়রি।

ৱাকৎ (এল)ঃ    থৌবাল জিলাগী চরাংপাৎ মমাং লৈকাইদা লৈরিবা ৱাটর সপ্লাই স্কিমগী পাইপ শিনগনি হায়না ফুকথোকখিবা থা মরি ফারক্লবা ফাওবা শেন্বীদনা লৈবগী মতাংদা মৈরা পায়বীনা চরাংপাৎ মমাং লৈকাইদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদু ৱিমেন্স ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন চরাংপাৎ মমাং লৈকাই অমসুং ভিলেজ ৱাটর এন্দ সেনিতেসন কমিতি চরাংপাৎ মমাং লৈকাই অনিনা শিনবনি।

পিএম ঃ  পোৎথোক চাথোক য়ামা লৈবা অমসুং অইং আশা খায়দনা থাবা য়াবা মহৈ-মরোং মখল ১০৯, ঙসি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা ইন্দিয়া এগ্রিকলচরেল রিছার্স ইন্সটিট্যুটতা মীয়ামদা শিন্নখ্রে।

ঙসি মীয়ামদা শিন্নখিবা মহৈ মরোং ১০৯ অসিগী মনুংদা লৌবুক্তা থাগদবা মহৈ মরোং মখল ৩৪ অমসুং হোর্টিকলচরগী মহৈ-মরোং মখল ২৭ য়াওরি। লৌবুক্তা থাগদৌরিবা মহৈ মরোংশিং অদুগী মনুংদা মিলেট, শজিক ওইনা শিজিন্নগদবা পান্বীশিং, থাউ শুংনবা মরু-মরাং, হৱাই, চু, লশিং, ফাইবর অমসুং অতৈ মহৈ-মরোং মখলশিং য়াওরি। হোর্টিকলচরগী ওইবা মহৈ-মরোংশিং অদুগী মনুংদা উহৈ মখল কয়া, মনা-মশিং, প্লান্টেসন ক্রোপস, আলু-তিলহৌনচিংবা, মসালাগী মরু-মরাং, লৈ অমসুং হিদাক কান্নবা পান্বীশিং য়াওরি।

থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা লৌমী অমসুং বৈগ্যানিকশিংগসু ৱারী শান্নখি। লৌমীশিংনা অনৌবা মহৈ মরোং অসি থাবনা মখোয়গী চাদিং হন্থহল্লগনি অমসুং অকোইবগী ফিভমদসু অকায়বা থোকহল্লোই হায়বগী থাজবা ফোংদোকখি। প্রধান মন্ত্রিনা মিলেটকী কান্নবা কয়া পল্লদুনা হৌজিক্কি মতমগী মীরোলনা হকচাংদা মচি ওইবা চীঙ্গাকশিং চাবগী হৈনবগী লৈরকপগী মতাংদসু পনখি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মসিনা পোত্থোক হেনগৎহনবতা নত্তনা লৌউবদা চংবা শেলগী চাংসু হন্থহনবা ঙম্লগনি। মন্ত্রিনা হায়- অনৌবা মরুশিং অসি নোংজ্ নুংশাগী ফিভম খুদিংমক্তা হিংবা ঙম্মী অমসুং মসিদা মচি ওইবা চীঙ্গাক্কী চাং

ৱাংনা য়াওই। শ্রী মোদিনা ঙসিগী অনৌবা মখলগী মরু মরাংশিং অসি পুথোকপদা বৈগ্যানিকশিংনা লৌরিবা থৌদাং অদুবুসু শিংথারদুনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

থৌরমদুদা লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না হায়- অনৌবা মহৈ মরোংশিং অসি শিজিন্নবনা লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎলহল্লগনি।

উত্তরাখন্দ ঃ উত্তরাখন্দদা চারধাম যাত্রা চৎপগী লম্বীশিংগী মফম কয়াদা চীং নীংখায়বদগী গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অকায়বা থোক্লে। গঙ্গোত্রি নেসনেল হাইৱেগী নেতালা অমসুং গ্যানসু মনাক্তা চীং নীংখায়বদগী গাড়ি চৎপা থিংলে। য়মুনোত্রি নেসনেল হাইৱেসু বারকোত মনাক্তা চীং নীংখায়বদগী গাড়ি চৎপা য়াদ্রে।

অমরোমদা, চামোলি জিলাগী বদ্রিনাথ নেসনেল হাইৱেগী চিনকাদসু নোং কন্না চুবদগী চীং নীংখায়দুনা চৎথোক চৎশিনদা অপনবা ওইরে। হিরম অসিগা মরী লৈননা মরী লৈনবা বিভাগশিংনা লম্বীশিং অসি চৎথোক চৎশিন য়ানবা থবক পায়খৎলি। মেট দিপার্টমেন্টনসু লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিদা রাজ্য অসিগী চামোলি অমসুং ভাগেশ্বর জিলাদা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

বিক্রম ঃ  ভারতকী ফোরেন সেক্রেরি বিক্রম মিস্রি নুমিৎ নিনিগী নেপাল খোঙচৎতা কাঠমন্দুদা থুংখ্রে। মহাক নেপালগী মপান থৌরম মন্ত্রিনা বার্তন তৌরকপদগী লৈবাক অদুদা চৎপনি। নেপালগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়- ফোরেন সেক্রেটরি অনিনা ভারত-নেপালগী মরী অমসুং তেংবাং পীনবগী ৱাফম কয়ামরুম খন্নগনি। শ্রী মিস্রিনা নেপাল সরকারগী লুচিংবা কয়াগসু উন্নরক্কনি।

পিএম ঃ  রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু ফিজি, নিউজিলেন্দ অমসুং টিমোর লেস্টেগী খোঙচৎ লোইরদুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা হল্লকখ্রে। মহাক্কী লৈবাক অহুমগী খোঙচৎ মনুংদা রাষ্ট্রপতিনা ভারত অমদি লৈবাকশিং অসিগা হেন্না ফবা মরী লৈহন্নবা

মতাংদা তোঙান তোঙানবা য়ান্ন-ৱারোল কয়া সহি তৌনখি।

মরক অসিদা, টিমোর লেষ্টেনা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুদা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী ৱাংবা মনা গ্রান্দ কোলর ওফ দ ওর্দর ওফ টিমো লেষ্টে পীরকপদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়- ভারতকী রাষ্ট্রপতিদা মনা অসি পীরকপা অসি ভারতকী ওইনা য়ামা চাউথোকচনিঙাইনি অমসুং মসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনরিবা অচেৎপা মরী অমসুং ইকায় খুমবা অদু উৎলি।

জেকে ঃ জম্মু কাশ্মীর য়ুনিয়ন তেরিতোরিগী আনন্টনাগ জিলাদা ঙরাং তেরোরিষ্টশিংগা সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবদা লান্মীগী মীওই অনি শিরে। মীচম অনি শোক্লে। লান্মীগী মীওই অনি অদু হোস্পিতালদা লায়কন্নরবা মতুংদা লৈখিদবনি।

জম্মু কাশ্মীরগী আনন্টনাগতা ঙরাং তেরোরিষ্টশিংগা সেক্যুরিতি ফোর্সকা নোংমৈ কাপবদা লান্মীগী মীওই অনি লৈখিদবা অদুদা ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা অৱাবা ফোংদোকখ্রে। অৱাবা তারবা ইমুং মনুংদা পীবা পাউজেল অমদা মন্ত্রিনা হায়- ৱারবা মীকুপ অসিদা জাতি অসিনা মখোয়গীদমক লেপলি।

অন্নাপুরনা ঃ ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মন্ত্রি অন্নাপুরনা দেবীনা হায়রি- লৈবাক অসিগী নুপী অমসুং অঙাংশিংগী হেন্না য়াইফনবগীদমক কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারশিংনা পুন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট, সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রিশিং অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী এদমিনিষ্ট্রেতরশিং অমসুং উপ-রাজ্যপালশিংগী ওইবা অহানবা জাতি থাক্কী মীফমদা ৱাফম অসি শ্রীমতি অন্নাপুরনা দেবীনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- চাউখৎপা ভারত অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমক্কী থৌদাং লৈ। মহাকা হায়- মিসন সক্সম অঙ্গনৱাদি অমসুং পোসান টু পোইন্ট জিরো, মিসন

ভাতসালিয়া অমসুং মিসন শক্তিগী কান্নবশিং মীয়ামা মপুংফানা লৌবীয়ু।

নিট ঃনেসনেল বোর্দ ওফ একজামিনেসন্স ইন মেদিকেল সাইন্সেসনা শিন্দুনা কুমশি চহিগী নিট পি.জি এন্ত্রান্স একজামিনেসন ঙসি পাঙথোকখ্রে। কম্প্যুটর বেজ টেষ্ট মোদতা সিফ অনি থোকা পাঙথোকখিবা পরিক্ষা অসিদা পুন্না মহৈরোই লাখ ২ হেনবনা শরুক য়াখি। নিংশিংবা য়াই, পরিক্ষা অসি হান্না জ্ন থাদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বদগী য়ৈথোক্তুনা লাকখিবনি।

বঙ্গলাদেশ ঃবঙ্গলাদেশ শিন থুংনা হিংশা থোক্লিবা অদুদা মশিং য়ামজদবা কাংলুপশিংদা খুৎ থাবা অদুবু লৈবাক অসিগী মরক্কী সরকারগী লুচিংবা মোহামদ য়ুনুসনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। থৌওং অদু মীওইবগী লীচৎ নত্তে হায়না মহাকা হায়রি। য়ানিংদবগী খোঙজংদা মাংজিল থারিবা মহৈরোইশিংদা লৈবাক অদুদা লৈরিবা হিন্দু, খৃষ্টান অমসুং বুদ্ধিষ্ট ইমুং মনুংশিংবু ঙাক শেন্নবা মহাকা তকশিনখি।

ওবিট ঃ হান্নগী মপান থৌরম মন্ত্রি নটৱার সিংহনা লৈখিদবদা উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখর অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অৱাবা ফোংদোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা হায়- নটৱার সিংহনা মপান থৌরম মন্ত্রি য়াওনা লৈবাক অসিগী অতৈ মরুওইবা থৌদাং কয়া লৌরম্মী। শ্রী ধনখরনা হায়- মহাক অসি মশক নাইবা অইবা অমনি।

নটৱার সিংহনা ভারত অমসুং অতৈ লৈবাকশিং অফবা মরী থমবা হোৎনবদা লৌরম্বা থৌদাংবুসু প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নিংশিংখি।

ওলিম্পিক্স ঃ পেরিস ওলিম্পিক্স গেমস ঙসি লোয়শিল্লগনি। লোয়শিনবগী থৌরম ভারতকী মতম ঙসি অহিং নোংয়াই মতুং পুংখায় চৎপদা হৌগনি।

ওফিসিয়েল ওইনা পাঙথোক্কদবা লোইশিনবগী থৌরম অসিদা ওলিম্পিক্কী মৈরা মুখুৎকনি অমসুং ওলিম্পিক্কী ফিরাল ২০২৮ গী লোস এঞ্জিলিস ওলিম্পিক্কী ওর্গনাইজিং কমিতিদা খুৎশিন্নগনি।

লোইশিনবগী থৌরমদা ভারতকী ওইনা অনিরক ওলিম্পিক্কী মেদল ফংলবা পি.আর.শ্রীজেস অমসুং মনু ভাকরনা পেরেড ওফ নেসন্সতা ফ্লেগ বিয়ারর ওইগনি।

গেমস অসিদা ভারতনা লুপাগী অমা অমসুং শেঞ্জেংগী মঙা পুন্না তকমান ৬ ফংলে।

হৌজিক ফাওবদা চিনানা সনাগী ৪০, লুপাগী ২৭ অমসুং শেঞ্জেংগী ২৪ পুন্না তকমান ৯১ ফংদুনা মকোক্তা লৈরি। য়ু.এস.এনা সনাগী তকমান ৩৯, লুপাগী ৪৪, শেঞ্জেংগী ৪২ পুনা ১২৫ ফংদুনা অনিশুবদা অদুগা  জপাননা সনাগী ২০, লুপাগী ১২ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৩ পুন্না তকমান ৪৫ ফংদুনা অহুমশুবা, ওষ্ট্রেলিয়ানা পুন্না তকমান ৫৩ ফংদুনা মরিশুবদা অমসুং য়ুম্বু ফ্রান্সনা পুন্না তকমান ৬৩ ফংদুনা ৫ শুবা মফমদা লৈরি।

ফুটবোল (এল)ঃ  ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না শিন্দুনা অন্ধ্র প্রদেশকী আনন্টপুরদা পাঙথোক্লিবা জ়নিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ-বিগী মেটচ অমদা মণিপুরনা হরিয়ানাবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে। মণিপুরগী মথংগী মেটচ নোংচুপ বেঙ্গলগা থা অসিগী ১৩ দা শান্নগনি।

ফুটবোল (এল)ঃ  ডাঃ বি.সি. রোই ট্রোফি ২০২৪-২৫ কী জ়নিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপতা মণিপুরনা রন্নর্সঅপ তাখ্রে। ঙসি অসামগী নুরুল অমিন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেলদা তেলঙ্গনানা মণিপুরবু টাই ব্রেক্তা থোইখিবনি।

------